# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মালেমগী মীওইবগী হক্কী নুমিৎ পালন ঙসি মণিপুরদসু পাঙথোক্কনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা চুরাচান্দপুর জিলাগী হেংকপকোট খুলগী উমংদগী বোম য়াওনা খুলাই খরা ফাগৎলে।

অমসুং

৩) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- বন্দে মাতরম অসি ভারত্তা কলচরেল নেসনেলিজমগী ইহৌ লাকবা হোৎনবদা চাউনা ঈথিল পীখিবা মন্ত্র অমনি।

------

ডে (এল)ঃ মালেমগী মীওইবগী হক্কী নুমিৎ ঙসি পাঙথোকরি। রাজ্য অসিদসু তোঙান তোঙানবা সংস্থানশিংনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি পাঙথোক্কনি।

মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না শিন্দুনা ৭৭ শুবা মালেমগী মীওইবগী হক্কী নুমিৎ পালন ইম্ফালগী হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা ঙসি পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা কম্মিসন অসিগী হান্নগী এক্তিং চেয়ারপার্সনশিং ওইরম্বা য়াম্বেম লাবা, খাইদেম মনি, হান্নগী মেম্বর ঙাংবম নোংয়াই অমদি কম্মিসন অসিগী হৌজিক এক্তিং চেয়ারপার্সন ওইরিবা কাংজম খগেন্দ্র সিংহ্ শরুক য়াগনি।

পালন থৌরম অসিগী কুমশি চহিগী থিমদি- হ্যুমেন রাইটস-অৱার এভ্রিডে ইসেন্সিয়েলস হায়বসিনি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা চুরাচান্দপুর জিলাগী হেংকপকোট খুলগী উমংদগী বোম য়াওনা খুলাই খরা ফাগৎলে। ফাগৎলবা পোৎলমশিংগী মনুংদা- ইমপ্রোভাইস মোর্টার অমা, গ্রেনেদ বোম অনি, স্মোক গ্রেনেদ অমা য়াওরি।

পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খায়বা অমদি আইনগী মায়োক্তা থবক তৌবশিংগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা ওপরেসন চথুরি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাঙ্গোল লাইমনাই এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা ঙরাং থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা ফারে। তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সনরাইজ গ্রাউন্দ মনাক্তগী কে.ৱাই.কে.এলগী এক্তিভ কাদর অমসু হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফারে।

অরোমদা, মণিপুর পুলিসনা গাড়ি হুরানবনি হায়বা মীওই অনি অমসু ফাগৎলে। মীওইশিং অসি লমফেলদা লৈবা মেদিকেল দাইরেক্তোরেট ওফিস মনাক্তা গাড়ি হুরান্নবা হোৎনরিঙৈদা ফাবনি হায়রি। মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- বন্দে মাতরম অসি ভারত্তা কলচরেল নেসনেলিজমগী ইহৌ লাকবা হোৎনবদা ঈথিল পীখিবা মন্ত্র অমনি।

রাজ্য সভাদা ঙরাং বন্দেম মাতরমগী চহি ১৫০ শুরকপগী খন্ন-নৈনবদা শরুক য়ারদুনা মহাকা হায়- ঈশৈ অসি ভারতনা মপুং ফানা চাওখৎলবা ভিক্সিত ভারত ওইনবগী খোঙচৎতা অদুমক ঈথিল পীদুনা লৈগনি।

বিরোধিনা বন্দে মাতরমগী মতাংদা দিবেট তৌবগী কান্নবা পরিনো হায়না হংলকপা ৱাহং অমদি মসিবু লাক্কদৌরিবা নোংচুপ বেঙ্গলগী মীখলগা মরী লৈনহল্লকপা ৱাফম কয়া ফোংদোরকপদা শ্রী অমিত সাহনা য়ানিংদবা ফোংদোকখি

এনদিএ ঃ নেসনেল দেমোক্রেতিক এল্লায়েন্স (এন.দি.এ) পার্লিয়ামেন্টরি পার্তিগী মীফম ঙরাং নিড দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ অমিত সাহ, ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ, বি.জে.পি নেসনেল প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দা য়াওনা এল্লায়েন্স অসিগী মরুওইবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা ভিক্সিত ভারতকী মঙলান মঙফাওননবা অফবা লৈঙাক সাসন অমা পুরকবগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মীফম অদুদা হন্দক পাঙথোকখিবা বিহার বিধান সভা মীখলদা এল্লায়েন্স অসিনা চাউনা মায় পাকপা পুরকপা ঙমখিবগীদমক প্রধান মন্ত্রিবু এন.দি.এগী এম.পিশিংনা হরাউ তয়ামা ওকখি।

মীফম অদুগী তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়- বিহারগী মীখলদা এন.দি.এনা চাউনা মায় পাল্লকপা অদুগীদমক এল্লায়েন্স অসিগী লুচিংবশিংনা প্রধান মন্ত্রিবু থাগৎপা ফোংদোকখি। প্রধান মন্ত্রিনা মীফম অদুদা লৈবাক অসিনা হেন্না খুমাং য়াংশিন্না চাওখৎপা পুরক বা হোৎনবদা এন.দি.এগী লুচিংবশিংনা কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌমিন্নশি হায়না ফোংদোকখি।

মীয়ামগী পুন্সি হেন্না নুংঙাই য়াইফবা পুরকবা অমদি লৈবাক অসি হেন্না চাওখৎনবা হৌজিক লৈরিবা সেক্তর খুদিংমক্তা নৌনা শেমদোক শাদোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা ৱাফমসু প্রধান মন্ত্রিনা মীফম অদুদা ফোংদোকখি।

লোক সভা ঃ লোক সভাদা ঙরাং লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীখলগী চৎন কাংলোনশিং শেদোক শাদোকবগী মতাংদা খন্নখি। খন্নবা অদুদা শরুক য়ারদুনা লো এন্দ জষ্টিস মন্ত্রি আর্জ্ন রাম মেঘৱালনা হায়- কংগ্রেস সরকারগী মতমদা ইলেক্তোরেল রোলগী স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজনগী থবক অসি কয়ারক পাঙথোকখ্রে। অদুবু হৌজিক বিরোধিনা থবক অসি পায়খৎলকপদা ৱাহং কয়া হংলক্লি। ভারতনা নীংখা হেক তন্লকপদগী লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক মান্নবা ভোৎ থাদবগী আধিকার ফংলে হায়রদুনা মহাকা হৌজিক লৈরিবা ভারতকী ভোতিং ষ্ট্রকচর অসি থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র

মোদিনা লুচিংবা সরকারনা নারি শক্তি বন্দন আধিনিয়ম পাস তৌদুনা লোক সভা, রাজ্য বিধান সভাশিং অমসুং দিল্লি বিধান সভাদা নুপীশিংগী সিট শরুক অহুম থোকপগী অমা রিজার্ভ তৌনবা হোৎনরি। ডাঃ বি.আর. অম্বেদকরনা থল্লম্বা ৱাখল্লোনগী মতুংইন্না লৈবাক অসিদা মীখল পাঙথোক্কুনা লাকপনি।

খন্নবা অদুদা শরুক য়ারদুনা বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ইলেক্তোরেল রোলশিংদা শাশিন্নবা ভোতরশিং হাপচিনবগী ৱাফম পুথোরকখি। বিহারদা এস.আই.আর পাঙথোকপা মতমদা ভোতর লিষ্টতা শাশিন্নবা ভোতর লাখ ২০ লোম য়াওরম্বগী ৱাফম ফোংদোক্লদুনা মহাকা ইলেক্সন কম্মিসনদা ৱাহং কয়া হংখি।

ইসিঃ ইলেক্সন কম্মিসনননা স্পিপসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) ফেজ টুগী মখাদা লৈবাক অসিগী ইলেক্তর কোতি ৫০ লাখ ৯৯ দা ইন্যুমেরেসন ফোর্মশিং য়েন্থোকখ্রে।

তাঙ্কক অসিদা পুন্না কোনশিনগদবা ইলেক্তর কোতি ৫১ গী মনুংদা ইন্যুমেরেসন ফোর্ম য়েন্থোকপগী চাং চাদা ৯৯.৯৭ ওইরে। কম্মিসননা হায়- এস.আই.আর. ফেজ টু অসিদা রাজ্য ৯ অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি অহুমদা ভোটর লিষ্ট শেমদোক শেমজিনগী থবক চথুরি। মেনশিল্লবা ইন্যুমেরেসন ফোর্মশিং থা অসিগী ১১ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কদবনি। কেরলাগী ওইনদি থা অসিগী ১৮ ফাওবা মতম পীরি। এস.আই.আর. ফেজ টু অসি মায় পাকা পাঙথোকবা কমিসননা হৌজিক ফাওবদা ইম্যুমেরেসন ফোর্ম কোতি ৫০ হেন্না দিজিটাইজ তৌখ্রে অমদি ফাইনেল ভোটর লিষ্ট ফেব্রুৱারী ১৪ দা ফোংগনি।

ইন্দিগোঃ ইন্দিগোগী ফ্লাইটশিং পাক্তকনা কেন্সেল তৌখিবদগী মীয়ামনা খুদোংচাদবশিং মায়োকরিবা অসিগী য়েংলগা কেন্দ্রগী এভিয়েসন মন্ত্রি-রাম মোহোন নাইদুনা ঙরাংসু ইন্দিগোগী মেনেজমেন্ট কাংবুগা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা ইন্দিগোগী সি.ই.ও. পিটর এলভরসকসু উন্নদুনা ইয়ারলাইন্স অসিনা মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অসিগীদমক করি থবক পায়খৎলিবগে

হায়বগী মতাংদা মন্ত্রিদা পাউদমখি। থা অসিগী ৬ কী মমাংদা কেন্সেল তৌখিবা ফ্লাইটশিংগী ওইনদি পেসেঞ্জরশিংদা চাদা ১০০ রিফন্দ তৌবা লোইখ্রে। লেমহৌরিবশিংগীসু অথুবা মতমদা তৌনবা হোৎনরি।

নিরমালাঃ হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা সোসিএল মেদিয়াদা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা পুং অমদা লুপা লিশিং মঙা থিরগা থা তরুক্তা লুপা কোতি অমা ফংবগী স্কিম ভাইরোন ওইরক্লিবা অদু শাজিন্নবনি হায়রি।

পি.আই.বি. ফেক চেক য়ুনিটনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-সোসিএল মেদিয়াদা ভাইরেল চৎলিবা ভিদিও অদু আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) গী খুত্থাংদা শাজিন্নবনি। মন্ত্রিনা অসিগুম্বা স্কিম অমা লাউথোকখিবা অমদি শৌগৎপগী ৱাফম লৈতে। চেরোল অসিনা মখা তানা মীয়ামনা অসিগুম্বা শাজিন্নবা ভিদিওশিং অসিদগী চেকশিনবীনবা অমদি অচুম্বা খঙনিংলবদি সরকার অমদি মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংগী ৱাফম খক্তমক থাজবীনবা হায়রি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

প্রসিদেন্টকী খোঙচৎ কে-মৌবগী থবক কনখৎলে, সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে হায়বা পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেদলদা- দেঙ্গিগী কেস লিশিং ৫,৫০২ য়ৌরে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

রিসেত্তলমেন্টনা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্কদবা নত্তে, খৎনরিবা অনি পুন্না ৱারী শান্নহনবা মথৌ তাই হায়না কুকিগী ভিলেজ চীফ অমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পঞ্চায়ট ইলেক্সন লৈখায় তাদ্রি, মীখল পাঙথোকবা কোর্টনা ওর্দর থোকখিবা অদুগী মায়োক্তা লৈঙাকা পিটিসন থাংগৎতুনা লৈরি- সেন্তর হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং মরক্তা মৈতৈ-কুকি মায় পাকা লৌ লোকহনখ্রে, চংথোক চংশিন য়াদ্রবসু মণিপুরদা তপা তপা তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লকপগী মমি তারে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পোকফমদা- মণিপুরগী ওইনা ১৫ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী শেনফম ফংদবা কুইশিল্লক্লে, মণিপুরগী রুরেল লোকেল বোদিগী লুপা কোতি ৫,৫৯ মাংজখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

নৌনা ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিনহল্লবা আই.দি.পিশিংগী মতেং সরকারনা পীননবা কোকোমিনা দাবী তৌরি হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- দ্রৌপদি মুরমুগী খোঙচৎ হায়বা নিউজ কেপসুল অসিগী মখাদা গর্ভনরনা চেয়ার লৌদুনা লোক ভবনদা পুং অহুমলোম চুপনা মীফম পাঙথোক্কুনা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা খন্নখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- ভি.ভি.আই.পি খোঙচৎকী মাংওইননা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎলে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- বোর্দকী মেত্রিক পরিক্ষা মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ২৩ দগী হৌরগনি হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেদলদা- কাউন্সিলনা লৌবা ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষা মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ১৭ তগী মার্চ ২০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- চহি খরা লেপ্লুরবা মতুং মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বস অমুক হন্না চেনবা হৌরগনি হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------